# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 13-03-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা কাংবু অমনা চীং অমসুং তম্পাক্কী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থি হুম্বগী থবক চথবদা নোংমৈ য়াওনা য়াম্লবা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎপা ঙমখ্রে।

২) লোক সভা অধ্যক্ষ ওম বিরলানা হায়রি- য়ুমলোন্নরিবা লৈবাকশিংনা খুদোংথিবা মায়োকবা মতমদা ভারতনা মাংজিল থানা মতেং পাংদুনা লাক্লি।

অমসুং

৩) ভারত অমসুং মাউরিসিয়সনা লৈবাক অনিগী মরী হেন্না ফগৎহন্নবা পান দমদা মেরিটাইম সেক্যুরিতি অমসুং লোকেল করেন্সিদা লল্লোন ঈতিক্কী মপাঙ্গল কনখৎনবা য়াওনা তোঙান তোঙানবা হিরম ৮ দা য়ান্নচেশিং সহি তৌনখ্রে।

------

পুলিস (এল) ঃ সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা কাংবু অমনা চীং অমসুং তম্পাক্কী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থি হুম্বগী থবক চথবদা নোংমৈ য়াওনা য়াম্লবা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎপা ঙমখ্রে।

পুলিসকী পাউনা হায়- ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী হৈঙাং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা মতাই খুলদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎখি। ফাগৎলবা খুৎশু খুৎলায়শিং অদুগী মনুংদা ফিফতিৱান এম.এমগী মোর্তার অমা, পোইন্ট থ্রি টুগী পিষ্টোল অমা, তুয়েল্ব বোর সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ অমা,

ইন্সাস রাইফল মঙা, হেন্দ গ্রেনেদ ৫ য়াওনা অতৈ পোৎলমশিং

ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী লমশাং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা ফয়েং চীং অমসুং মসিগী অকোইবা মফমশিংদগী ইন্সাস রাইফল ৭, এস.এল.আর ২, থ্রি নোট থ্রি রাইফল ১, গ্যাস গন ১, নাইন এম.এম পিষ্টোল ১, হেন্দ গ্রেনেদ ২, ইন্সাস অমসুং এল.এম.জিগী মেগজি ৪ য়াওনা নোংমৈ মরু কয়ামরুমসু ফাগৎপা ঙমখি।

চুরাচান্দপুর জিলাগী মৌলাংঘাৎতা ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সনা থি হুন্থবগী থবক চথবদা- পোম্পী ৮ য়াওনা অতৈ পোৎলম কয়া ফাগৎখি।

ককচিং জিলাগী চেরাউ চীং হিল রেঞ্জ অমসুং বফেল্লো ফার্মগী মফমশিংদা ককচিং পুলিসকী অপুনবা কাংবু অমনা থি হুন্থবগী থবক চথখি।

অমরোমদা, সেক্যুরিতি ফোর্সনা থৌবাল জিলাগী হৈরোক পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা উয়োক চীংদগী আইন্না থিংখ্রবা লালহৌলুপ কে.সি.পিগী মীওই অমা ফাগৎপা ঙমখি মঙোনদগী মেগজিন অনিগা লোয়নন্না থ্রি নোট থ্রিগী এল.এম.জি অমা, এস.এল.আর মেগজিন অমা, হেন্দ গ্রেনেদ অনি, নোংমৈ মরুশিং য়াওনা অতৈ পোৎলম কয়া ফাগৎপা ঙমখি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী মনুং চন্না লৈবা লমশাং বজারদগী মণিপুর পুলিসনা কে.সি.পি (সিতি মৈতৈ)গী মীওই অনি ফাগৎপা ঙমখি। প্রিপাক (প্রো)গী মীওই অমসু পুলিসকী কাংবু অদুনা লমফেল পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা লাঙ্গোল গেম ভিলেজ জোন থ্রিদগী ফারে।

মণিপুর পুলিসকী কাংবু অমনা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী মনুং চন্না লৈবা নোর্থ এ.ও.সিদগী গঞ্জা কিলোগ্রাম ৪৭ গ্রা ৬০০ লোমগা লোয়নন্না মীওই অনি ফাগৎখি।

তেংনৌপল জিলাগী মোরে পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা নিউ সিজাং খুলদগীনা সেক্যুরিতি ফোর্সনা ম্যান্মার মচা অমদগী দব্লিউ.ৱাই টেব্লেৎ পেকেট মরি য়াওনা অতৈ পোৎলম খরসু ফাগৎপা ঙমখি।

মেলা (এল)ঃ  রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা মীওইশিংনা শাবা পোৎলমশিং য়োনবগী মেলা অমা ঙরাং থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন কাউন্তিং হোলদা পাঙথোকখ্রে। জিলা অসিগী ওইনা তোঙান তোঙানবা মফম অহুমদা হাংলিবা রিলিফ কেম্পতা লৈবা মীওইশিংনা শাবা পোৎলমশিং য়োনবা মেলা অদুদা চাউরাকা লুপা লাখ ১ হেনবগী পোৎলমশিং য়োনবা ঙমখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনার অহন্থেম শুবাসনা হায়- জিলা অসিগী ওইনা তোঙান তোঙানবা রিলিফ কেম্পতা চংজফম লৌদুনা লৈরিবা মীওইশিংগী শেন্দোক লন্বী লৈহন্নবগী পান্দমদা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন থৌবালনা শিন্দুনা খুৎ-শা হৈনবগী ত্রেনিং কয়া পীদুনা লাক্লি। মদুগী মহয় ওইনা ঙসি পোৎলম কয়া পুথোক্কুনা মীয়ামদা ফংহনবা ঙমলে।

প্রোগ্রাম (এল) ঃ  রাজ্য থাক্কী ওইনা অহানবা রাউন্দগী নেসনেল দিৱার্মিং ডে ২০২৫ হৌদোকপগী থৌরম ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী মনুং চন্না লৈবা ডরিপোক লম্বোই খোংনাংখোঙগী নেতাজি শুবাসচন্দ্র বোস অৱাসিয়া বিদ্যালায়াদা পাঙথোক্লগনি। থৌরম অসি চাইল্ড হেলথ দিভিজন, এস.ঐচ.এস, নেসনেল হেলথ মিসন অমসুং দিরেক্তোরেট ওফ হেলথ সার্ভিসেসনা পুন্না শিনবনি।

মেলা (এল) ঃ  পি.এম.জে.এ.ৱাই মেলা উচিৱাদা লৈবা খেলাখোং হাইস্কুলদা ঙসি পাঙথোক্লগনি। মেলা অসিদা হৈবোং মখোঙ, খেলাখোং অমসুং উচিৱাগী খুঞ্জাশিংনা আধার কার্দ পুরক্কুনা প্রধান মন্ত্রিগী হকশেলগী কার্দ শাবগী খুদোংচাবা লৈগনি হায়রি।

ত্রেক্তর (এল) ঃ  ষ্টেট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া (এস.বি.আই)না এস.বি.আই কোর্পোরেট সোসিয়েল রেস্পোন্সিবিলিতি ইনিসিয়েতিভকী মখাদা নাপী ককবা ত্রেক্তর মেছিন অমা পাঙ্গৈদা লৈবা মণিপুর পুলিস ত্রেনিং কলেজদা খুৎশিন্নখ্রে। থৌরম অদুদা কজেল অসিগী দিপ্যুতি দিরেক্তর, শোরোকখায়বম গৌতমনা

হায়- ত্রেক্তর মেছিন অসিনা ত্রেনিং কলেজ অসিগী অকোইবা মফমশিং লু-নান্না থম্বা চাউনা মতেং ওইরগনি।

ফুটবোল (এল) ঃ ভারত লান্মীনা শিন্দুনা মেজর লাইশ্রম জোতি সিংহ, অশোক চক্র ফুটবোল তুরনামেন্টকী অহানবা ইদিসন ঙরাং বিষ্ণুপুর জিলাগী মোইরাং মল্টিপরপজ হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা হৌদোকখ্রে। তুরনামেন্ট অসি লমদম অসিগী নহাশিংবু মশা মউ ফনা লৈনবা অমসুং শান্ন-খোৎনবা য়োকখৎনবগী পান্দমদা ওপরেসন সদ ভবনাগী মখাদা পাঙথোকপনি।

ঙরাং অহৌবা নুমিৎকী শান্নখিবা মেটচতা সাউদর্ন স্পোর্তিং ক্লব শিংজমৈনা এ.এস.য়ু.এফ.আই মাওবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখি।

ফুটবোল (এল) ঃ অহুমসুবা চহি ১৭ মখাগী নামদি হিয়ামাং ফাওমৈ মেমোরিয়েল ফুটবোল তুরনামেন্ট ২০২৫ ঙরাং তমেংলোংগী নেচরেল ফুটবোল গ্রাউন্দদা হৌখ্রে। ঙরাং অহৌবা নুমিৎতা শান্নখিবা মেটচতা দব্লিউ.পি.এফ.সিনা খাংচিউলোন এফ.সিবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখি।

কাং (এল) ঃ অনিসুবা ককচিংতাবম কুঞ্জবী শর্ম্মা মেমোরিয়েল লিগ কম নোক আউট কেন্দ্র ৱাইস কাং তুরনামেন্ট ২০২৫ থা অসিগী ১৫ দগী য়াইস্কুল কাংশঙগী শ্রীশ্রী গোপালদেব মান্দবতা হৌরগনি। তুরনামেন্ট অসিদা শরুক য়ানিংবা কাংখুৎশিংনা হয়েং ফাওবগী মনুংদা মীং পীশিল্লকবা খঙহল্লক্লি।

বিরলা ঃ লোক সভা অধ্যক্ষ ওম বিরলানা হায়রি- য়ুমলোন্নরিবা লৈবাকশিংনা খুদোংথিবা মায়োকবা মতমদা ভারতনা মাংজিল থানা মতেং পাংদুনা লাক্লি।

মদাগাসকরগী নেসনেল এসেমব্লি প্রসিদেন্ট জষ্টিন টেকলিনা লুচিংবা পার্লিয়ামেন্টরি দেলিগেসনগী মীহুৎ কাংবুগা লোয়ননা নিউ দিল্লিদা ঙরাং পাঙথোকখিবা মীফমদা শরুক য়ারদুনা শ্রী ওম বিরলানা হায়- মদাগাসকরবু লৈবাক অসিনা অৱাংবা থাক্তা ইকায় খুমৈ অমসুং থাজবা মরুপ অমগুম খল্লি।

মহাকা হায়- লৈবাক অনিনা পুন্না হোৎনমিন্নদুনা চাওখৎ থৌরাংগী লমদসু থৌদাং কয়া লৌমিন্নদুনা লাক্লি। মহাকা হায়- লৈবাক অনিগী মরক্তা লল্লোন ঈতিক, নাৎ চৎনবী অমসুং মীয়াম মরক্তা অচেৎপা মরী লৈ। মদাগাসকরদা লৈরিবা ভারত মচাশিংনা লৈবাক অনিগী মরী হেন্না চেৎনশিনহনবদা লৌরিবা থৌদাংশিংবুসু শ্রী ওম বিরলানা থাগৎপা ফোংদোকখি।

মোদি ঃ ভারত অমসুং মাউরিসিয়সনা লৈবাক অনিগী মরী হেন্না ফগৎহন্নবা পান দমদা মেরিটাইম সেক্যুরিতি অমসুং লোকেল করেন্সিদা লল্লোন ঈতিক্কী মপাঙ্গল কনখৎনবা য়াওনা তোঙান তোঙানবা হিরম ৮ দা য়ান্নচেশিং সহি তৌনখ্রে।

মাউরিসিয়সগী পোর্ট লুইসতা ঙরাং প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি অমসুং মাউরিসিয়সকী প্রধান মন্ত্রি ডাঃ নবিনচন্দ্র রাম গুলাম উন্নদুনা য়ান্নচেশিং অদু সহি তৌনখিবনি। ৱারী শান্নবা লোইরবা মতুং প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়- মালেমগী ওইনা শেল থুম অমসুং ইন্দষ্ট্রিগী লমদা শোখরবা লৈবাকশিংদা ভারতনা অখন্নবা মীৎয়েং থল্লি। প্রধান মন্ত্রিনা মসিবু ম্যুচুয়েল এন্দ হোল্লিষ্টিক এদভান্সমেন্ট ফোর সেক্যুরিতি এন্দ গ্রোথ এক্রোস রিজন (মহাসাগর) হায়না মীংথোনখি। মীফম অদুদা শ্রী মোদিনা হায়- মাডরিসিয়সকী ঙাকশেল অমসুং সেক্যুরিতিগী দরকার লৈবশিং কোকহন্নবা অমসুং মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা ভারতনা মতেং পাংদুনা লাক্লি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

শেল থুম মন্ত্রি নিরমালা সিতারমন্না মণিপুরগী বজেৎ পুথোকখিবা অমসুং মসিগী মতাংদা এম.এল.এ- ও.শুরজাকুমারনা ফোংদোকখিবা ৱাফমা ঙসি ইম্ফালদা ফোংনরিবা পাউচে অয়াম্বগী মরুওইবা পাউ ওইরি।

পোকফম পাউচেদা মণিপুরগী লুপা কোতি ৫০০ কোর্পস ফন্দ লাউথোকখ্রে, নাগা কুকিগী ইরাংদা কংগ্রেসকী পি.এম. মণিপুরদা চৎখিদে হায়না ফাইনান্স মিনিষ্টর নিরমালা সিতারমন্না ফোংদোকখিবা ৱাফমা অহানবা

হেদলাইন তৌরি। পাউ অসিগা মরী লৈননা ইরাং থোক্লবসু বজেৎতদি মহারাষ্ট্রদগী মণিপুরনা হেন্না চাওখৎলে হায়না এম.এল.এ- ও. শুরজাকুমারনা ফোংদোকখিবা সনালৈবাক পাউচেগী অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসিমক ইম্ফাল ফ্রি প্রেস অমসুং মণিপুর মেলদসু অহানবা হেদলাইন তৌরি।

ম্যান্মার রিফ্যুজি ইসুদা থবক লৌখৎনবা অমিত সাহদা তকশিনখ্রে হায়বা পাউ শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী অমসুং ইংলিস ইদিসনগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

নহারোলগী থৌদাংদা- মণিপুরদা থোক্লিবা কনফ্লিক অসিনা মরম ওইরগা রেলৱে প্রোজেক্ট থিন্থহনবনি হায়বা রেলৱে মিনিষ্টরনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি।

কুকি তাবা চীংগী মফমশিংদা সটদাউন মখা তানা চথরি, অনৌবা ইরাং থোকপগী পাউ লৈতে হায়না পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

হুইয়েন লানপাউদা- প্রসিদেন্টস রুলগী লৈঙাকা কে.এস.ওগী সটদাউন লেপহনবা ঙমদ্রে, হোম মিনিষ্ট্রিগী এদভাইজর এ.কে. মিশ্রা থুংলরে, গভর্নরগা চিকথনখ্রে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

সেনাপতিদা ফোংবা হিলস হোর্নিবিল এক্সপ্রেসতা- নেসনেল নো স্মোকিং ডেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে, সনাপতি জিলাদা হিদাক মনা শিজিন্নবগী চাং নুপানা চাদা ৬৩.৭ অমদি নুপীনা ৪৬.১ ওইরি হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

গানফিউ মেলদা- তমেংলোং কলেজগী বিক্সিত ভারত য়ুথ পার্লিয়ামেন্ট ২০২৫ গী ওর্গনাইজিং কমিতিনা শিন্দুনা তমেংলোং দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাটরসতা মাস এৱারনেস কেম্পেন পাঙথোকখিবগী পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

অহুমসুবা চহি ১৭ মখাগী নামদি হিয়ামাং ফাওমৈ মেমোরিয়েল ফুটবোল তুরনামেন্ট তমেংলোংগী নেচরেল ফুটবোল গ্রাউন্দদা হৌখিবগী পাউ তমেংলোং টাইমসকী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

------